# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা দিটেন্সন কেম্প শাননবা পি এম মোদিনা লুপা ক্রোর ৪৬ পীরকখি ঃ তরুন গোগোই

*গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ২০০১দগী ২০১৬ ফাওবা থংন-থংননা তার্ম ৩ চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লুচিংলমখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইনা অতল বিহারি বাজপায়ী মতমদগী হৌনা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিং থন্নবা দিটেন্সন কেম্পশিং লিংখৎনবা ষ্টেটশিংদা খঙহল্লকখি হায়বা ৱাফমশিং থম্লদুনা লৈবাক অসিদা দিটেন্সন কেম্পশিং লৈতে হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম অদুদা ৱাহং হংখ্রে।



ইন্দিয়াদা আইন কায়না চংল্লকপগীদমক ফাখিবা জেলগী চৈরাক লোয়শিল্লবা মীরৈবাক মচাশিং থন্নবা দিটেন্সন কেম্পশিং শানবগী ৱাখল্লোন অদু বাজপায়ী গভর্ণমেন্টনা অহানবা পুথোল্লককখিবনি।

নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়রক্লবা তুংদা মহাক্না মীওই ৩,০০০গী কেপাসিটি লৈবা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাওবা দিটেন্সন সেন্টর অদু শানবা লুপা ক্রোর ৪৬ পীরকখি।

অদুগা হৌজিক্লা লৈবাক অসিদা দিটেন্সন সেন্টরশিং লৈতে হায়না মহাক্না করন্না হায়রিবনো হায়না তরুন গোগোইনা হংখি।

মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগা গুৱাহাটি হায় কোর্টকী ওর্দরসতগী লাওথোক্লবা ফোরেনরসশিং থন্নবগী সুপ্নগী মথৌ তাবা অদুগীদমক দিটেন্সন সেন্টরশিং শাখি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি। মরান লোৎশিন্নবা পাম্বে ওইনা দিটেন্সন সেন্টরশিং লৈবগী ৱাফমদু মোদি গভর্ণমন্টেনা য়াদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অসামগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা দিটেন্সন সেন্টরশিংগী রুলশিং শাথিনা অকনবা ওইহল্লোইদবনি। চহী ৩গী মতুংদা দিটেনিশিংবু থাদোক্কবা ওর্দর অমা হৌজিক সুপ্রিম কোর্টনা পীরকখ্রে। মরম অদুনা মেকানিজম অমা থম্লগদবনি হায়খি।

# সিটিজনসিপ এক্ট শৌগৎপা অমসুং মসিগী মায়োক্তা মুম্বাইদা কিমি ৪ খক লাপ্পনা মায়োক্লবা প্রোটেষ্ট অনী পাঙথোকখ্রে




*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ) অমসুং নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)গী মতাংদা ঙসি মুম্বাইদা অমগা-অমগা লাপ্পদনা মায়োক্লবা শান্তিগী ওইবা প্রোটেষ্ট অনী পাংথোকখ্রে।

সিটিজনসিপ এক্ট অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা মহৈরোইশিং অমসুং সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট চা কয়ানা খা মুম্বাইগী অজাদ মৈদানদা, অদুগা মসিদগী লাপ্পনা কিলোমিটর ৪ চখোল্লগা আগষ্ট ক্রান্তি মৈদানদা মীওই চা কয়ানা লো অদুবু শৌগৎপা উৎখ্রে।

সিটিজনসিপ এক্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংনা সিটিজনসিপ এক্ট, নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স অমসুং নেসনেল পোপুলেসন ওফ রেজিষ্টারগী পুন্সিন্নবসি ডিমোনিটাইজেসন অদু অমুক হল্লকপনি হায়খি।

সি এ এ, এন আর সি অমসুং এন পি আর (নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার) অসি লাইনিংগী ৱাথোক অমখক্তনি। মসিনা ইমুং খুদিংবু শোকহনবনি। ঐখোয়না দিমোনিটাইজেসন পার্ট ২ পামদে হায়না অজাদ মৈদানদা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংদুগী মরক্তগী এজেন্সিদা হায়খি।

এন আর সি পাংথোক্লবগীদমক এন পি আরনা অহানবা খোঙথাংনি। ঐখোয়বু অপঙবা শিবনি। প্রোটেষ্ট অদু লেপ্লোই, এক্ট অদু ককথৎত্রিবা ফাওবা মখা চথখিগনি হায়না অতোপ্পা মহৈরোই অমনা হায়খি।

এক্টর অমসুং সেলিব্রিটি কয়ামরুন্নসু অজাদ মৈদানগী প্রোটেষ্ট মফম অদুদা য়াওখি।

অতোপ্পা নাকন অমদনা বি জে পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা লুচিংদুনা আগষ্ট ক্রান্তি মৈদানদা সিটিজন এক্ট অদু শৌগৎপা রেল্লি পাংথোকখি। মীফম অদুগী ষ্টেজদা অচৌবা ইন্দিয়াগী ফিরাল অমা অমসুং বির সরবারকরগী পোষ্টর অমা থেৎলি।

সিটিজন এক্ট শৌগৎপা রেল্লি অদুদা বির সরবারকরগী মসুনুপা রঞ্জিত সরবারকারসু শরুক য়াগনি।

হৌখিবা চয়োলদা আগষ্ট ক্রান্তি বৈদান অসিমক্তদা মহৈরোইশিংনা মীওই লিশিং কয়া তিনবা প্রোটেষ্ট অমা অনৌবা লো অদুগী মায়োক্তা চথখি।

সিটিজনসিপ এক্টকী মায়োক্তা মুম্বাই খক্তদা নত্তনা ঙসি দিল্লি অমসুং কোলকটাদসু প্রোটেষ্টশিং পাংথোক্লি।

# কোংগ্রেসনা ঙসি মসিগী ফাউন্দেসন ডেদা লৈবাকসিগী মফম কয়ামরুমদা ফিরাল খোঙচৎশিং পাঙথোক্কদৌরি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

‘কনষ্টিট্যুসন কনসি-ইন্দিয়া কনসি’ হায়বা কোংগ্রেসকী পাউজেল অদু মীয়ামদা পীনবা পার্টি অসিনা মসিগী ফাউন্দেসন ডে নুমিৎ হয়েং থাংজ নুমিৎতা লৈবাকসিগী মফম কয়াদা ফিরাল খোঙচৎশিং পাংথোক্কদৌরি।



কোংগ্রেসনা মায়োক্তা লেপ্লিবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অদুগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মফম কয়ামুক্তা পাকশন্না প্রোটেষ্টশিং চথরিঙৈ মরক্তা ফিরাল খোঙচৎশিং চৎনবগী পার্টিনা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কে সি ভেনুগোপালনা হায়খি, পার্টি অসিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এ আই সি সি হেদক্কার্টরসতা দিসেম্বর ২৮গী অয়ুক পুং ৯.৩০দা পার্টিগী ফিরাল হায়গৎতুনা মসিগী ফাউন্দেসন ডে পাংথোক্কনি।

ষ্টেটশিংগী কোনুংশিংদা চৎনবী ওইনা ফাউন্দেসন ডে নুমিৎতা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎপা অদুগী মথক্তা প্রদেস কোংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্টশিংনা মদুগী মতুংদা কনষ্টিট্যুসন কনসি- ইন্দিয়া কনসি হায়বা পাউজে অদু পুদুনা ফিরাল খোঙচৎশিং চৎকনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পার্টি জেনরেল সেক্রেটরি অসিনা হায়খি।

হিরম অসিগীদমক পাংথোকপা মীয়ামগী মীফমশিংদা মফম মফমদুগী লোলশিংদা মখোয়না ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী প্রিএম্বল অদুসু পাগনি হায়না ভেনুগোপালনা হায়খি।

অতে কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লুচিংবশিংনা মখোয়-মখোয়গী ষ্টেটশিংদা শরুক য়াগনি অমসুং হান্নগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা গুৱাহাটিদা থৌরম অসি য়াওগনি হায়রি।

# ছটিসগড়গী ত্রাইবেল ফেষ্টিবেলদা রাহুল গান্ধী জগোয় শাখ্রে

*রাইপুর, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ঙসি ছতিসগড়গী রাইপুরদা নুমিৎ হুন্নিগী নেসনেল ত্রোইবেল দান্স ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে অমসুং ত্রাইবেল কম্যুনিটিগা লোয়ননা জগোয় শাখ্রে।



মসিগী অকক্লবা মশককী ফেষ্টিবেল অসি ঐখোয়গী ইনাক খুল্লবা ত্রাইবেল কলচরগী হেরিটেজ উৎখোক্লবা অমসুং ঙাকথোক্লবা মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়না মহাক্না মাইক্রো-ব্লোগ্গিং সাইট ত্বিটরদা ইখি।

মফমদুগী ত্রাইবেলগী নাৎকী অঙাংবা কোকয়েৎ উপলদুনা মিষ্টর গান্ধীনা দ্রম অমা থিল্লদুনা ত্রাইবেল কম্যুনিটি মেম্বরশিং অদুগা লোয়নন জগোয় শাখি।

মসি বস্তার এরিয়াগী অবুজহমাদকী দনদামি মাদিয়া ত্রাইবকী য়ান্না পান্নবা জগোয় অমনি অমসুং গৌর জগোয় হায়নসু খঙনৈ। মসি নুপীশিং-নুপাশিংগী খূৎপু অমনা শাবা জগোয়নি।

ছতিসগড় চীফ মিনিষ্টর বুপেস বঘেল অমসুং অতে মকোক থোংবা পার্টি লুচিংবশিংসু ষ্টেজদা মিষ্টর গান্ধীগা পুন্না ফমিন্নখি অমসুং মহাক্না লোয়ননা জগোয় শাখি।

নেসনেল ত্রাইবেল দান্স ফেষ্টিবেল অসি ছতিসগড়দা অহানবা ওইনা পাংথোকপনি। লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৫দগী অমসুং মপান লৈবাক ৬তগী আর্টিষ্ট ১৩৫০ হেন্না নুমিৎ হুন্নিগী ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগনি অমসুং ফোক আর্ট কলচরশিং লান্থোক্কনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ত্রাইবেল আর্ট ট্রুপ ২৯না তোঙান তোঙানবা জগোয় মওং ৪গী ষ্টাইল ৪৩ হেন্না লান্থোক্কনি। প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না লুহোংবা অমসুং অতে চৎনবী থৌরমশিং, মহৌশাগী কুমহৈ ফিহোংশিং, লৌউ-শিঙউগা মরী লৈনবা মহৌশা নাৎকী জগোয়শিংদা য়ুমফম ওইবা দান্স কম্পিটিসনশিংসু ফেষ্টিবেলগী অহানবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৪৫তগী হৌগনি।

হয়েং দিসেম্বর ২৮গী অয়ুক পুং ৯দগী গুজরাতকী আর্টিশিংনা বসাবা দান্স, অন্ধ্র প্রদেসকী লাকপশিংনা ধিমসা দান্স, ত্রিপুরাগী আর্টিষ্টশিংনা মমিতা দান্সনচিংবা উৎকনি।

হুন্নি শুবা নুমিৎতা অতে ষ্টেট কয়ামরুমগী দান্স উৎকনি। ওপোজিসনগী গুলামনবি অজাদ, অনন্দ শর্ম, অহমদ পতেল, মোতিলাল বোরা, কে সি ভেনুগোপাল অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনচিংবসু মসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং ইরাননা চাবাহার পোর্ট প্রোজেক্টকী থবক খোঙজং থুজিনহন্নবা য়ান্নখ্রে

*টেহরান, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

মরুওইবা ইরানগী হিথাংফম অমা হেন্না ফজনা শেমগৎনবগী থবক থুজিলহন্নবা টেহরান অমসুং দিল্লিনা য়ানখ্রে হায়না সেঙ্কসন্সগী চৈথেং ফংলিবা ইস্লামিক রিপব্লিক অদুদা চৎপা খোঙচৎ অমদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুব্রমনিয়ম জয়শঙ্করনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে।



ইন্দিয়া, ইরান অমসুং অফগানিষ্টাননা পুন্না শেমগৎকদৌরিবা চাবাহার কৌবা হিথাংফম অসি পাকিষ্টান ঙমখৈগী নোংচুপতা সুপ্নগী কিলোমিটর ১০০রোমতমক লাপ্পা ইন্দিয়ান ওসিনদা লৈ।

ইরানগা তৌনবা শীংথানিঙাই ওইবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তোকখ্রবা মতুং হৌখিবা চহীদা ইরানগী মথক্তা থমজিনখিবা সেঙ্কসনশিং অদুগী মমাঙদা সেঙ্কসনশিং অদুদগী কোমথোকপা ফংলিঙৈ ফাওবদসু হিথাংফম অদু শেমগৎপগী থবক পন্দুনা লৈরকখি।

মিষ্টর জয়শঙ্করগা পুন্না পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা হিথাংফম প্রোজেক্ট অসিনা রিজন অসিদা লল্লোন ইতিক চাওখৎহল্লগনি হায়খি।

চাবাহার-জাহেদান রেলৱে শেম্বা লোয়শিনবা অমসুং মদুগা ইরানগী নেসনেল রেলৱেগা শমজিন্নহনবনা চাবাহার হিথাংফমগী ফিভম থাক ৱাংখৎহনগনি, রিজনেল কর্ম্মসতা পুংহোং হোংবা পুরক্কনি অমসুং পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিনদা মমল হেন্না হোঙহনগনি অমসুং লম্বী হেন্না তেনশিনহনগনি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

ইরান অমসুং ইন্দিয়াগীদমক রিজনেলগী সেক্যুরিটি কায়হন্দনা থম্বা হায়বসি মরুওইবা হিরম অমনি হায়না মিষ্টর রৌহানিনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতোমতগী নাকন্দগী সেঙ্কসনশিং লৈবাক কয়াদা থল্লিবা হৌজিক্কী ফিভম অসি ওইদুনসু ঐখোয়না নাকন অনীগী তেংবাংনবা মখা চথনবা হোৎনগনি হায়না মখা তাখি।

ইস্লামিক রিপব্লি ইরানগী মরুওইবা শেন লাকফম অদু থদৎনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মে থাদা লৈবাক খরদা হান্না কোমথোক্লবদু ককথৎতুনা ইন্দিয়াবু ইরানগী থাও লৈবদু তোকহনখি।

# হায় ট্রিজন কেসতা শিবগী চৈরাক পীখিবা স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদু পরবেস মুসারফনা শীংনরকখ্রে



*লাহোর, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পাকিষ্টানগী হান্নগী মিলিটরি দিক্টেটর জেনরেল (রিটয়ার) পরবেস মুসারফনা হায় ট্রিজনগীদমক মাবু কনভিকসন পীখিবা অমসুং শিবগী চৈরাক পীখিবা স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা কোর্ট অমদা ৱাকৎ থাঙ্গৎতুনা শীংনরকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা ইস্লামাবাদতা স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা চহী ৬কী লিগেল কেস অমগী মখা চথরকপদা হায় ট্রিজনগীদমক কোর্টতা মশা লাকখিদনা মশাগী চহী ৭৬ শুরবা মুসারফপু শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখিবনি।

মুসারফকী মায়কৈদগী ঙসি ইরাই নুমিৎতা লাহোর হায় কোর্টতা এদভোকেট অঝার সিদ্দিকুইনা থাঙ্গৎখিবা লমাই ৮৬ পানবা পেটিসন অদুনা ফেদরেল গভর্ণমন্টে অমসুং অতে কয়াবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লি হায়না দোন ন্যুজগী পাউনা হায়রি।

স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুদা অশোয়বশিং অমসুং অমগা অমগা তাইওন্নবা ৱারোলশিং য়াওই হায়না পেটিসন অদুনা হায়খি।

লোয়শিনগদবা য়ান্না ৱাৎলিঙৈদা স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা থুনা অমসুং হাথু হাথুনা ৱায়েল অদু লোয়শিনখি হায়নসু মুসারফকী ৱাকৎ অদুদা হায়রি।

স্পিসিয়েল কোর্ট অদুগী মমাঙদা মুসারফকী মথক্তা পুথোক্লিবা ইভিদেন্স অদুদগী হায় ট্রিজনগী মরান অমা উৎতবনা এপ্লিকান্ট অদুনা নেসনেল ইন্টরেষ্টকী মায়োক্তা লৈবা থবকশিং চথখিদে হায়বদু স্পিসিয়েল কোর্টনা খন্নখিদে হায়নসু পিটিসন অদুনা হায়খি।

লাহোর হায় কোর্টকী জষ্টিস মাজাহির আলি অকবর নকবিনা চিয়ার ওইবা ফুল বেঞ্চ অদুনা মুসারফকী ৱাকৎ অদু ২০২০ জনুৱারি ৯দা হিয়ারিং তৌগনি।

# মী ৯৮ তোংখিবা প্লেন ক্রাস তৌবদা ১৫ শিখ্রে

*আলমাটি, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

ময়াই থংবা এসিয়াগী লৈবাক কাজখষ্টানগী মরুওইবা শেনমিৎলোনগী ময়োল আলমাটি সিটি মনাক্তা মীওই ১০০ রোম তোংখিবা পেসেঞ্জর প্লেন অমা ঙসি ক্রাস তৌবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া শোকখ্রে।



বেক এয়ারনা ওপরেট তৌবা ফোক্কর ১০০ এয়ারক্রাফ অদু সিটি অদুদগী পাইখৎখিবগী মতুং ৱাংখৎপা ঙমখিদবনি।

প্লেন অদু নুর সুলতান তম্না নোংঙালমদাইদা পাইখিবনি। পাইখৎখিবদা প্লেন অদু ৱাংখৎনা পাইবা ঙমখিদে অমসুং মথোল ২গী বিল্ডিং অমদা থোমজিনদ্রিঙৈগী মমাঙ চেক্কী ফেন্সিং অমা ফাওনা পাইসিনখি হায়না কাজখষ্টানগী সিভিল এভিয়েসন কমিটিনা হায়খি।

প্লেন অদুদা পেসেঞ্জর ৯৩ অমসুং ক্রু মেম্বর ৫ পুন্না মীওই ৯৮ তোংখিবনি। খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং অরুবা ফিভমদা মীওই খরা য়াওনা মীওই ৬৬ হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে।

থৌদোক অসিদা কাজখ প্রসিদেন্টনা কাসিম-জোমার্ট টোকায়েপনা লৈখিদ্রবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং হয়েং দিসেম্বর ২৮দা লৈবাক্কী অৱাবা ফোঙদোকপা নুমিৎ ওইনা লাওথোকখ্রে।

# নোংমখক্তদা য়ু এসকী লাঞ্জাবা প্লেন ৪না কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা পাইখ্রে

*সিওল, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

কোরিয়ান পেনিন্সুলা মথক্তা য়ু এসকী লাঞ্জাবা প্লেন ৩ পাইখিবগী পুং ৩ খক্তগী ঙাইরিঙৈ মফম অদুমক্তদা অহিং অথেঙবদা য়ু এস মেরিন পেট্রোল প্লেন অমনসু ফাওদুনা পাইখ্রে হায়না ঙসি পাউ অমনা ফোঙদোকখ্রে।



এয়ারক্রাফ স্পোটস কৌবা এভিয়েসন ট্রেকর অমগী মতুং ইন্না য়ু এস নেভিগী পি -৩ সি প্লেন অমনা ঙরাং শগোলশেলগী নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা পেনিন্সুলা অদুগী মথক্তা পাইখি।

মদুগী মমাঙদা আর সি-১৩৫ এস কোব্রা বোল অমা জাপানিজ টেরিটোরি ওকিনাৱাদগী পাইখৎখ্রগা সাউথ কোরিয়াগী ইষ্ট সি মথক্তা লাঞ্জাবগী মিসন অমা পাংথোকখিরম্বা য়াম্বা মওংদা পাইখি। মদুগী মতুং কোন্নসু চপ মান্নবা মফম অদুগী মথক্তা য়ু এসকী প্লেন অনী অমগসু পাইখি।

পিয়োংয়াংনা য়ু এসকা ন্যুক্লিয়ারগী ৱারী শান্নবা লেপ্তুনা লৈরিবা তাঙ্ক অসিদা য়ু এসতা খৃষ্টমাসকী খুদোল অমা পীগনি হায়না কিহনখ্রবনি। নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অরোনবা লানঞ্জাবগী থবক কনসিনবগী খোঙথাং ওইনা হান্নসু য়ু এসকী স্পাই প্লেন ৪ পাইরকখ্রবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-342**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | 1 | 2 | | | 9 | |
| | 8 | | | 7 | | | 4 | 3 |
| 3 | 1 | | | | 4 | | 7 | |
| | 9 | | | 3 | | 6 | | 4 |
| 4 | | 2 | | | 9 | 7 | | |
| 7 | | | 2 | 4 | | 3 | | |
| | 7 | 3 | 4 | | 2 | | | 1 |
| 1 | | | 3 | | | 4 | | |
| | | 4 | | | 1 | 2 | | |

## GAS TODAY

**R & H Indane**
Booking : 24/10/19
Valid : 16/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 02/11/19
Sl. No. : 4900
Valid : 30/10/19
Sl. No. : 4451
Stk : 270 /19kg -24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Loktak Indane, Thanga**
Booking : 03/12/19
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**R B D Indane Service**
Booking : 06/11/19
Valid : 23/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 21/10/19
Valid : 19/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Lamsang Gas Service**
Booking : 26/10/19
Valid : 24/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 05/11/19
Valid : 04/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 30/11/19
Valid : 18/11/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Harangchal Gas**
Booking : 23/11/19
Valid : 20/11/19
Stk : 306
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : 07/11/19
Valid : 04/11/19
Sl. No. : 150
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Athokpam Inane**
Booking : 04/11/19
Valid : 25/10/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**সনা-সুদোকু-৩৪১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 1 | 7 | 3 | 2 | 4 |
| 2 | 1 | 4 | 8 | 3 | 9 | 5 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 1 |
| 6 | 4 | 9 | 1 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 4 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 8 | 2 | 6 | 3 |
| 8 | 2 | 5 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 7 |

*ঝরখন্দ মীখলগী ফল*

# হেমন্তা সোরেনগী ৱাশক লৌবা থৌরমদা ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি শরুক য়ারবা য়াই ঃ রিপোর্ট

*কোলকটা, দিসেম্বর ২৭(এজেন্সি)ঃ*

হন্দক পাংথোকখিবা ঝরখন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা মায় পাক্লকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা দিসেম্বর ২৯দা রাঞ্চিদা হেমন্তা সোরেননা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি শরুক য়ারবা য়াই হায়না মহাক্না লুচিংলিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেস (টি এম সি)গী লিখুলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হেমন্তা সোরেন ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু লৈবাক অসিগী ওপোজিসনগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা মখোয়গী অমত্তা ওইবা অদু উৎকদৌরি। মসি শেমদোকখ্রবা সিটিজনসিপ এক্ট অমসুং পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা পান-ইন্দিয়া নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স নৎত্রগা এন আর সিগী মায়োক্তা লৈবাক পাকশন্না য়ানীংদবগী ঈহৌ চথরক্লিঙৈ মতাংদনি।

ঐখোয়না ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে এম এম) অমসুং হেমন্তা সোরেনগা য়ান্না অফবা মরী লৈনৈ। হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী পার্টিগী সুপ্রিমোনা সেনিয়ার লীদর খরগা লোয়ননা দিসেম্বর ২৯দা পাংথোক্কদৌরিবা হেমন্তা সোরেনগী ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌরে হায়না সেনিয়ার টি এম সি লিদর অমনা হায়খি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু ওপোজিসন লিদরশিংগী মপাঙ্গল অমসুং য়ুনিটি উৎপা অমা ওইনা তৌগদৌরি হায়না মহাক্না হায়খি।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা লৈবাক পাকশন্না হৌজিক চথরিবা ঈরাং অসিগী তাঙ্কক্তা মসিনা য়ান্না মরু ওইবা পোলিটিকেলগী পাউজেল অমা পীরগনি হায়না অতোপ্পা সেনিয়ার টি এম সি লিদর অমনা হায়খি।

শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্ট অমসুং পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লিবা এন আর সি অদুগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা পূন্সিন্নবা অমসুং পূন্না থেংনমিননবা লৈবাকসিগী ওপোজিসন লুচিংবা অমসুং চীফ মিনিষ্টর পূন্নমক্তা চয়োল অসিদা হান্নবা মমতা বেনর্জিনা চিঠি ইখ্রবনি।

হন্দক পাংথোকখিবা ঝরখন্দ এসেমব্লি ইলেক্সন অদুদা এজ এম এম- কোংগ্রেস - আর জে দি এলায়েন্সকীদমক হেমন্তা সোরেনবু চীফ মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইনা পুথোকখিবনি।

পার্টি ৩গী এলায়েন্স অসিনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা মশীং ৮১ গী মনুংদা ৪৭ ফংখি। জে এম এমনা সিট ৩০, কোংগ্রেসনা ১৬ অমসুং আর জে দিনা ১ ফংকি। বি জে পিনা সিট ২৫, ওল ঝরখন্দ ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন পার্টিনা ২, জে ভি এম (পি)না ৩ অমসুং অতৈনা ৪ ফংখি।